## এডিটোরিয়েল

### কংলা পার্কিকি পার্কিং

*হৌজিক্কী মতমদা খ্বাইদগী মথৌ তৌরিবসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ত্রাফিক্কী কাঙবু অসিনি হায়না লৌবা তাই। হন্দক জনুৱারী ৪ দা য়ুহার হাখিবা মতুং ইমা কৈথেল অহুমগী মনুংদা অনী শাথিনা অকায় অতোয় থোকখিবা অদুগী মখা তারকপদা সরকারগী মায়কৈদগী লৈঙাক্লোইশিংনা কৈথেল ফম্বী ইমাশিংগী নত্তবদা কৈথেল অমা লৈরগদি মদুদা লাক্কদৌবা পোৎ চৈ লৈবা মীয়াম অমসুং য়োল্লিবশিং অদুদা অশোয় অঙাম থোক্তনবগীদমক কৈথেল অনীমক্তা পোৎ য়োন্দনবা খঙহনখি। হায়রিবা কৈথেল শঙ অনী অসি খুদক্তা শানিংই হায়দুনা হেক্তা লৈঙাক অসিনা শাবা য়াবসু নত্তে। মসিগী মথক্তা শারনি হায়দুনা হেক্তা শিদোকপসু য়াবা নত্তে। মসিদি ইমা কৈথেলশিংগী লৈরিবা লূপশিংনসু খঙলমগনি। মদুমক্তদা হঞ্জিন হঞ্জিন ৱাফম কয়া পুথোক্তুনা ঙাংনখিবদু থোইনা মীয়াম্না লুম্না লৌখিদে হায়বসিমা খঙফম থোক্লবনি। অমরোমদনা পোলিটিকেল এদভান্টেজ অদু ফংনবা হোৎনবদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনসু অশোয়বা থৌরাং অমা ওইনা থাঙ্গাল কৈথেলদা মার্কেট সেদ শান্নবা হোৎনখিবা অমসু মদুদা থাঙ্গাল কৈথেল কোল্লিবা কেন্দ্রগী মীহুৎনা চাউনা শিংরকপা কয়া অদুদা অশোয়বা কয়া অমসু মীয়াম্না উখ্রবনি। থৌওংদুনা রুলিং পার্টি নৎত্রগা ওপোজিসন পার্টি হায়বদু করিগুম্বা মওং অমত্তদা উদনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদি কান্নদবদা ৱাথোক ওইহল্লি হাবয়সিনি। ইম্ফাল কৈথেল মনুংদা ৱাথোক ওইরগদি ইশু অমা ওইগনি হায়না লৌবসু লাল্লি। অমরোমদনা কৈথেলসিনা চাকথাক পীরিবা মীওইশিংগী হক অদু মুন্নবা হোৎনবা হায়বসিসু খ্বাইদগী লাল্লি। মসিদি কৈথেলগী ইমাশিং, পোৎ য়োল্লিবশিং অমদি। কৈথেলদগী পোৎ লৈরিবশিং অদুনা য়াম্না মুন্না খঙলমগনি। অদুগুম্বা তাঞ্জা অমদা কৈথেলগী ইমাশিংনা লৈকং থোংগী থোংখাদা পোৎফম ফমজিল্লকপা মতমদা ত্রাফিক জাম কয়া অমা নোংমগী মনুংদা থোকহনখি। মদুদা ৱাজরিবসি কৈথেল ফম্বী অমদি লৈরিবশিং নত্তে ইম্ফাল ৱেষ্ট ত্রাফিক কন্ত্রোল তৌরিবশিংগী অৱাবনি। মসি কৈথেল ফম্বীশিংনা মশা মশাগী পোৎফমদা হঞ্জিনদুনা ফম্নখ্রবা ফাওবা অদুমক লৈরিবা প্রোব্লেমনি। ভি আই পি অমদি ভি ভি আই পিশিং লাক্কনি হায়বা মতমদা মথক থোংবশিংগী ওর্দরদা ফুট পাথতা পোৎ য়োলহন্দনবা তকখাইরকই অমসুং বি টি রোডতা মখল অমত্তগী গারী অকক্লবা পুংশিং খরদা থাবা য়াহন্দে। হায়রিবা অপিবা মতম অদুগী মনুংদা গারী থাহন্দনবা হোৎনরিবসি ত্রাফিক কন্ত্রোল তৌরিবা দিপার্টমেন্টকী পার্সোনেলশিংনি।*

*মসিদা অমুক ত্রাফিক কন্ত্রোল তৌরিবশিংনা অয়েৎপা পীবা ঙমদবা অমসুং মনিং মখা তৌরিবনা থৌবাল পার্কিংদা লৈরিবা টাটা মেজিক, ওটো রিক্সো অমদি বসশিংনা লম্বী থৎচিল্লগা খাম্বা অসিনি। হায়রিবা বিটি রোডকী ক্রোসিং অসিদি মায়কৈ ৪দগী লাকপা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিন তৌবা মফমনি। অসিগুম্বা মফম অমদা পার্কিং এরিয়া ওইনা লৈহনবা অসিনা মরম চাদবা এক্সিদেন্ট কয়া অমা থোহল্লরুবগী মরম ওইহল্লি। মসিদি মমাঙদসু পাউ চে অসিনা য়াম্না কুপ্না নৈনরগা হায়খ্রবা ৱাফমনি। হৌজিক মরু ওইনা ইম্ফালগী বিটি রোড অমসুং ইম্ফাল–দিমাপুর লম্বীগী কন্ত্রোল তৌবা ঙমদবা ত্রাফিক্কী ভোলুম অমদি লৈরে হায়বসি হেনগৎলক্লিবা গারী মশীং অমসুং চৎলিবা মীওই মশীং অদুদগী খঙফম থোকই। অদুনা হৌজিক মীয়াম্না পাল্লিবসি এক্সিদেন্ট থোকপা য়াবা এরিয়া অমদা পার্কিং ওইহন্দবসিনি। মসিনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিন্দা কয়ামুক য়াম্না অপনবা পীরিবগে হায়বদুদি লম্বীসিদা চৎলিবা মীওইশিংগী পুৱারী অদুনা ওইগদৌবনি। হৌজিক মীয়াম্না পাল্লিবসি অনৌবা কৈথেল শঙ অমা মণিপুর ফায়র সার্ভিসকী থোল্লককপা য়াবা লম্বী অমদা শাজিল্লিবা অসিগী ৱাহন্থোক অসিনি। থৌবাল পার্কিং মফম চাদ্রে। সেক্রেটরিয়েট মমাঙগুম খাম্নিংবা মফমদা গারী খাম্বগী চৎনরোল অমা মমাঙদা লৈরম্বা অদুগী মখা তারকপা ওইনা লম্বী খুদিংমক্তা গারী খামজিল্লকপা অমসুং মদুগী লাইসেন্সশিং ইশু তৌরিবসি মণিপুর সরকারগী মখাদনি। মদুদা ফাওবা থিংবা ঙমদ্রগা মরন্নাই শেল থাদদুনা থবক তৌনবগী ফিভম লাক্লিবনি। য়ারগদি ওইরক্লিবা ফিভমসিদা য়াম্না মুন্না খল্লগা এক্সপার্টশিং তান্নদুনা অনৌবা ষ্টকচর অমা শানবা পুক্নিং চিংশিল্লক্কনি।*

## *এডিটরদা থারকপা চিঠি*

### বোমগী অমসুং প্রজাশিং

***ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,***

হৌজিক্কী চাওখৎলবা ৱা ওইনা ঙাংদুনা মতম মাংহন্নিংদ্রবা, খুৎকী, মীৎকী অমদি ঙক্কী ইশারদা পুম্নমক জ্ঞান তানরবা মতম অসিদা অঙাং মচা অমনফাওবা তৌরোইদবা, খল্লোইদবা থৌওং অমা হৌখিবা মার্চকী তাং ১১ গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৫৫ রোম তারকপা অদুৱাইদা ইম্ফালগী মরুওইরিবা মফম খ্বাইরম্বন্দগী চিল্লবা টেম্পররি মার্কেট সেড মনুংগী য়েন য়োনফমদা য়াম্না তমথিবা বোমগী লাং থাক্তুনা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অমা থোকখিবা অসি য়াম্না লাইবক থিনিংঙাইনি। থৌওং অসিদা পেন্নদ্রবা মীওই চা কয়ানা অৱাবা ফোংদোক্তুনা নিংঙমদবগী পীরাং শিন্থনরি, অদুবু শাগী থম্মোয় চেনখ্রবা মীওইবগী মিনুংশি মচেৎ অমফাওবা য়াওদ্রবা, ৱাখল থেনবা মখোয়শিং অদুদি ঐখোয়গী লাল্লোং মাই পাক্লে হায়দুনা খাক্না–খাক্না নোক্তুনা অৱাবশিং অসি উরমদবসু য়াই। অদুবু মশিং য়াম্লবা প্রজাগী থম্মোয়শিং অসিনা পেন্দ্রবদা করম্বা প্রজাগী থম্মোয়বু পেন্নবা শেবা তৌগদৌরিবনো? লৈবাক অমগী চাওরবা প্রাইম মিনিষ্টর , প্রসিদেন্ট কয়ানা থবক খুদিংমক মাগী মখুৎতা লৈরবসু শক্তি ফনা পাইদুনসু প্রজানবু য়াদ্রবদি মহাক্কী খুদিংমক অরেম্বনি । মসিনা তাকপদি প্রজা মীয়ামদগী হেন্না চাওবা অতোপ্পা অমা লৈতে হায়বনি। অদুগা ঙসিগী চাওখৎলে হায়রিবা লমদম অসিদনা করিগীদমক প্রজাশিংবু হন্ন–হন্না শীংনরিবনো? মসিবু চাওখৎপা, জ্ঞান তাবা সমাজ অমগী খুদমলা? শাথিবা বোমদুনা পোখায়দ্রিঙে তেল্লবা মীকুপ্তুগী মমাংদা লৈখিদ্রবশিং অমদি অশোকপশিং অদুগী থম্মোয়দা শাগৎচরম্বা নুংঙাইবা আশা কয়া মীকুপ্তুগী শাথিবা মখোল অমদি শাথিবা মনিল অদুনা লাক্কদৌরিবা শাংলবা লম্বীবু তেলহনখিবদি করম্বা থম্মোয় কাইরোইদগে।

অরোইবদা থমজনিংলিবা ৱাফমদি অরোৎপবু ওইরো অফোংববু ওইরো নখোয়গী অঙম–অঙম্বা শক্তিশিং অদো মফম চানা–চানা শিজিন্নবিয়ু চম্লবা প্রজাশিংদা থৌনা ফবা শাদুনা ঈগী খুন্নাই ওইহবিগনু। খোংপাক মখাদা চেল্লিবা ককচেংনা মশাগী থৱাইবু হিংজনবা কয়া কন্না চেল্লুগনি । থাংগৎলক্লিবা খোংথাং অদুনা লৈমাই য়ৌবদা খুনপাক অমা তুবনি, মদুনা থৌনা ফবা শকপদি য়ারোই ককচেংগী শাপ ফংবা নৎতনা।

*অদোমগী,*
শগোলশেম শান্তা মীতৈ
ইম্ফাল

# থবক ওইনা পাঙথোক্নরিবা ধর্ম্মগী চৎনরোল ঃ বিবেকানন্দগী ভাষন # ২
## (ইডা এন্সেলনা ইশিলহৌবা, এপ্রিল ১৮,১৯০০)

Look at the sum total of good and evil in this world, Has it changed? Ages have Passed, and practical religion has worked for ages. The world thought that each time the problem would be solved. It is always the same problem. At best, it changes its form...(পৃথিবী অসিদা লৈরিবা অফবা অমসুং ফত্তবা ময়ামসি পুল্লপ পুনশিন্দুনা লৈবগী মওংদু অমুক্তং য়েংউ। মসিদা করিদি অহোংবা লাকখ্রবগে? চহী কয়া–কয়া হৌখ্রে অদুগা ধর্মগী পাঙথোক্নরিবা থৌওংশিংসুসু চহী কয়া কয়া লেপ্তুনা চত্থরক্লি। পৃথিবীগী মীয়াম্না খন্নে, হন্দকমুক্তি সমস্যাশিং পুম্বা কোকখ্রগনি। (অদুবু) মহৌশা–মহৌশা ওইখিবা মওংদা সমস্যাশিং (অৱাবশিং) অদুম্মক লৈরি, মসিনা হোংগে হায়না হোংলবদা মশক–মওং খরা হোংলকপদু মঙায়...) মমাঙঙৈদা ষণগারী, শগোলগারী নৎত্রগা খোঙনা শাঙনা (২) চৎনরম্মী। হৌজিক্তি অয়াংবা রেলগারী অমসুং এরোপ্লেন লৈরে, পৈশাতবু য়াম্না য়াম্না পুথোক্লবা তাই। হান্ন ৱাবনা হকচাং অমসুং মতমনি, হৌজিক্লা পৈশা য়াম্না লৈনবা হোৎনবদা অৱাবশিং থেংনবনি। সমস্যা ঙাক্তনি। থবকশুবা মীয়ামগী মহুৎ–শিনবা ঙম্বা অনৌ অনৌবা মেছিনশিং পুথোক্নরক্লি। মেছিন শীজিন্নরকপদা, হান্না থবক শুরম্বা মীশিংদু অনৌবা মফম থি–থিদুনা হেন্না কন্না থবক শুবা তারকই, নৎত্রবদি হিংবা ঙম্লোই। মরাইবকথিবা কয়াদি থবক শুফম ফংদদুনা চরাহেন্দুনা শিবসু য়াউবনি। মেছিন পুথোক্লিবদু মী ময়াম নুংঙাইনবনি হায়রগা মী হেন্না ৱাননবা মরমসু অদুম্মক ওই। অমরোমদা পৃথিবীসিদা ফংলিবা এন্নর্জী (শক্তি) অসি লোইনা নাইবনি। নখোয়না অনৌবা থবক অমদা ইন্নর্জি হেন্না হেন্না শীজিন্নরবদি অতোপ্পা নাকল অমদা ওন্নর্জি অদু ফংলক্লোই, ঈপাক অমগী মফম অমদা চাওনা ইথকইপোম হৌরবদি মদুগী মখাদা অহোবা (অহাঙবা) শোইদনা লৈগনি। লৈবাক খরনা হেন্না হেন্না ঈনাকখুনবা ওইরক্লবদি অতৈ লৈবাক খরদি হেন্না হেন্না লায়রবা ওইরক্কনি। The sum total is always the same (পূন্নমক তিনশীন্নবগী ফলদি হান্নগী মওংদা মান্নগনি।) মফম হোংদোক হোংজিন তৌবগী ৱাতনি, এন্নর্জিগী মপুঙ ওইবা চাংদুদি হান্নগুম অদুম্মক লৈবনি। পৃথিবীসিদগী এন্নর্জি মখল খরা মাঙখ্রবসু বিশ্বজগত অসিগী মফম অমদা লৈবসু য়াই। অফবা গুনশিংনা ফত্তবা গুনশিংগা মতমচুপ্পদা চাং মান্ননবা হোৎনৈ। ফম অচৌবা পায়বা, শক্তিলৈবা মীশিংনা সংসারসে য়াম্না নুংঙাইখ্রবা মফমনি খল্লি, মখাদা লৈবা চরা অনী শুনা চাবা ফংজদবা মীশিংদুনা সংসারসিদি নরক হায়বদুনি হায়না খল্লি। অদুবু অনী অসি নত্তবা মতাইদা থৈদোক্তুনা পূন্নমক উরিবা মী খরনদি পুন্নমসে ঈশ্বরগী লীলা ঙাক্তনি খন্দুনা য়েংলি। সংসারসিদদি লীলাগী কাঙলোলগী মতুঙ ইন্না নোক্লম্বদুনা অমুক কপলক্কনি, কপ্লম্বদুনা অমুক নোক্লক্কনি। মওংসিদা ঐখোয়না তৌবা ঙম্বা করিশু লৈতে।

ঐখোয় মীয়ামগী মরকসিদা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক শেংনা তৌনীংবা মী কয়া লৈবগে? খুৎথেক্তুনা পাবদা মশীং পংয়াম য়াম্লম্লোই। ঐখোয় খরদি অফবা থবক্তি অদুম তৌই, মরমদি মদু তৌদ্রগদি সমাজদা মওং চুম্না হিংবা ওইথোক্লোই। অমবু ওইরে, অমবু ওইরে – মাঙনবা তৌবা মী কয়াসু মখোয়গী ফত্তবা থবকশিংদু অদুম তৌদুনা লৈ, ঐখোয়সু থোইনা পাম্লুবা নৎত্রবসু অফবনি হায়দুনা ইথৌ কয়া তৌদুনা লৈ। মতম ফনা শাংনা হৌখ্রবসু সংসারদি হোংদে, সমাজগী ফিভমদি হোংদে হান্নগুম অদুম অৱা অনা মরক্তা ঙাইহাক নোক্তুনা অমসুং ঙাইহাক কপ্তুনা অদুম পুন্সি লেল্লি। ঐখোয়না মসিবু লাইবকনি হায়নৈ, লাইবক্তা হেক্তা তাইনৈ।

ঐখোয়নবু করি তৌবা ঙম্বগেনে! ফনা য়াম্না হোৎনদুনসু করিগুম্বা মপুঙফাবা অহোংবা অমত্তা পুরকপা ঙম্লোই, হান্নগী ফিভমদা হেক্তা হঞ্জিনখিগনি। শংবান্নবা মচুগী ফিদু উফুল পক্লগা ৱাউথাউননা উগনি, শুদোক্লগা অমুক শংবান্ননা উগনি, অঙৌবা ফি ওম্থোক্লগে হোৎনবদি অরেম্বনি। কনানা ৫ দা ১ তীনশিনববু ৬ নি হায়গনি কনানা মদুবু দোজনতংখাই হায়গনি। ফত্তবা ৱারীশিংদু লোল অমদগী অতোপ্পা লোলদা হন্দোকপদুনা করি অফবা পুরক্কনি।

চাবা–থকপা, তুম্বা অমদি ইন্দ্রিয়শিংগী পেন্নবা থবক তৌবা হায়বসি য়াম্না পাম্নে, মসিতবু য়াম্না নুংঙাইবনি হায়না লৌনৈ। সহর অচৌবা পেরিশ কুম্বদা পাঙথোকপা অখন্নবা চাক্লেনগী থৌরমশিংদা চাবা–থকপা য়াউরুরবদি মী কয়াদি মদুনা খ্বাইদগী নুংঙাইবনি হায়গনি। য়ুসু থকপা, শা থোংবসু মখল মথেলগী হাওনা চাবা, জগোয় ঈশৈসু তৌবা। মদুগুম্বসি মী কয়াগী মফমদদি স্বর্গগী নুংঙাইবা হায়বদুনি খন্নগনি। অমরোমদা অমুক অষ্ট্রোনোমিদা ঙাউজবা সাইন্টিষ্ট কয়ানা ওবজার্বেটরীদা ফমদুনা আকাশতা গ্রহ উপগ্রহ কয়াগী লীলাশিংদু য়েংদুনা, চাগনি থক্কনি হায়ব ফাউবা কাউবনি, ওম্থোক্না নুংঙাইজরিবনি।

লৈবাকপোকপা খুদিংগী...
সত্যম–শিবম–সুন্দরম
কে সি নন্দ

সোর্যজগতসিদা থোক্লিবা গ্রহ–উপগ্রহশিং শেমগৎলকপগী অমসুং মখোয়গী তোঙান–তোঙানবা খোঙচৎকী উবা ফংলিবা শক্তমদুদা মখোয় মশাবু ফাউবা পূন্নমক কাউথোকচবনি। চাক্লেনগী নুংঙাইবদুদগী অষ্ট্রোনোমরশিংগী নুংঙাইবা মওংদুনা থাক হেন্না ৱাংই হায়বসিদি ময়ামসু য়ানীংগনি। অমদুনা ইন্দ্রিয়গী ওইবা অনেম্বা থাক্কী নুংঙাইবা অতোপ্পা অমনা পুক্নিং লৌশিংগী অমদি জ্ঞানগী ওইবা নুংঙাইবনি। ইন্দ্রিয়শিংগী ওইবা অনেম্বা থাক্কী থবক থৌওংশিং য়ারিবমখে থাদোক্লগা হেন্ন–হেন্না ৱাংবা থাক্কী নুংঙাইবা ফংই হায়বসি ময়ামসু য়াবীগনি। ধর্মগী চৎনরোলশিংসিনা ইশাগী ওইবা অখুবা ৱাখল থাদোক্তুনা মীয়ামগী, জীবশিংগী অমসুং ঈশ্বরগী ওইবা ৱাখলদা মপুঙফানা নুংঙাইহনবা অমদি মদুদা পুক্নিংবু মওং চুম্না থম্বা ঙমহল্লবদি চৎনরোলশিংদু অচুম্বনি হায়বা তাবনি। অৱাংবা থাক্কী নুংঙাইবা ফংনবগীদমক অনেম্বা থাক্কী নুংঙাইবশিং থাদোকপা তাবনি। অনীমক য়েৎশিন্নদুনা কোক ঙাউহন্নবা হোৎনরবদি অরেম্বদা তারগনি।

অনেম্বা থাক্কী, নুংঙাইবা মানবা অপাম্বশিংদু থাদোকখ্রগা খরা হেন্না ৱাংবা থাক্কী নুংঙাইবা ফংবা ঙমগনি।সমাজ অসিদসু অপাম অপাম্বতা তৌবা অনীং অনীংবতা পাঙথোকপা চৎনদে। মীয়ামগী স্বার্থ য়েংনা থবক তৌদবা য়াদে... মসিদা ঐ ঐগী অপাম্বা কয়াদু থাদোকপা হায়বদু চঙই– নৎত্রগদি মীরক তিনবা য়ারোই। অসুম্না ওইজবা থাদোকপা মচা মচাদগী হৌরগা অচৌ–

অচৌবা কয়া ফাওবা থাদোক্লবা হোৎনবা তাবনি। লুহোংবা হায়বসি ইঙাউ–ঙাউরম্বা লমচৎ–কাম্বা পুন্সি অমা থাদোক্লগা নিয়মনাইবা পুন্সি তাঙ্কক অমদা চঙশিনবনি। থাদোকপা অমদি কখোকপা হায়বা গুনশিংসি য়াউদনদি চাউখৎপা ওইথোক্তে, মরুওইনা অধ্যাত্মিক্কী পুন্সিদি মসিখক্তদা য়ুম্ফম ওইবনি। সাধু–সন্তসু ওইগে, শেলসু তান্দুনা শেঞ্জাও পায়বসু ওইগে হায়বদি য়ারোই। ওন্ন–তৈনবা মওং ঙাক্তনি।

লম্বী সরক শেংদোকপা, মন্দির চর্চশিং শেংদোকপা, কেনা কেনা থোরক্তুনা লাইশোল ঈশৈ শকপা, প্রার্থনা কয়া তৌবা, মী কয়ানা ধর্মগী ৱা ঙাঙবা তাবা অসিগুম্বসিনা ধর্মগী চপ চাবা তৌফম থোকপা থৌওংশিংনি হায়গদরা? থাদোকপা হায়বদি সন্ন্যাস (Renunciation) হায়বদু য়াউদনদি মপুঙ ফারবা পুন্সি হায়বদু ওইবা য়াদে। মসিদসু কনাগুম্বনা পনখৈগী লৈঈ (Limit) চীংলি, মদু চুমদবনি। থাদোকপা নৎত্রগা ত্যাগ হায়বসিগীদি লোইবা লতে। মপুঙ ফানা থাদোক্তুনা করিমত্তা লেমহৌদ্রবা মওংদুনি মুক্তি হায়রিবসে, তান্নরিবা পম্ভুংফমদু মদুনি অতৈ অমা লৈরোয়।

Where God is, there is no other. Where the world is, there is no God. These two will never unite.. just like light and darkness. (ঈশ্বরনা লৈবা মফমদুদা কনা অমত্তা লৈতে। সংসার লৈবা মফমদা ঈশ্বর লৈতে। অনী অসি পুনবা য়াদে, মঙালগা অমম্বগা পুনবা য়াদবগুম।)

সংসারসিদা অঙম–অথৌ ওইরম্বা কয়া শিখ্রে। অশোনবা মীশিংসু শিখ্রে। লাইগুম্বা মীশিংসু শিখ্রে। মফম খুদিংমক্তা শিখিদবা লৈতে। পৃথিবীসে অচৌবা মোংফম অমা ওনখ্রে। অদুমক্তদা ঐখোয় হীংদুনা লৈখিগদৌবোই নীংলি অমসুং হীংদুনা অশুম লৈনীংলি। শিব–নাইবা মপাম্বোংগী হকচাংসিদা ঐখোয়না কাহেন্না নুংশিরুরিবা করিগীনো? মসিবু অচুম্বনি খনবরা।

শিব–নাইরিবা হকচাংসিদি ঐ অশেংবদু নত্তে। ঐ অশেংবা (অত্ম) অদুদা অমুক হনবা তাবনি। ঐ অশেংবা ওইরিবা আত্মসিদি থাঙনা ককপা য়াদে মৈনা চাকপসু ঙমদে, খুৎলায় অমত্তনা শোকপা ঙম্বা নত্তে, মাগীদি হৌরকপসু লৈতে লোইবসু লৈতে। লৈখোম্না শাবা হকচাংবু ঐনি খন্দুনা মসিগীদমক করিগী ৱারুগনি, মসিগা মরী লৈনবা পোৎলমশিং অমসুং মরিমতাশিংগীদমক করিগী কপ্পুগনি। Practical religion is identifying myself with my (real) self. we should stop identifying with objects. How far are we advanced in that ? [থবক ওইনা পাঙথোকপা য়াবা ধর্মগী চৎনরোল হায়বদুদি ঐগী অশেংবা শক্তম ওইরিবা অদুবু শকখঙবনি। পোৎলমশিংগা ঐখোয়গা অমত্তনি খনবদু থাদোক্কদৌবনি। মায়কৈ অসোমদা ঐখোয় কয়া য়াম্না চঙশিল্লবগে?] ৱা পঙাঙদা ঙাঙনবা, নীতিনিয়ম পংশেমদা শেম্নবা, অমগা অমগা হুন্নব–চৈনবা, অচুম্বা ৱাফম খঙফম থোকপদুদি শুকখঙ খঙদবা ... করি ৱাহন্থোক

লৈগনি। অচুম্বদু খঙনবা চঙশিল্লিবা খোঙথাং অদুতবুনি ঐনা ধর্মগী লোনচৎ (Practical religion) হায়না কৌরিবা।

The kingdom of Heaven is within us. He is there, He is the soul of all souls. See Him in your own soul. That is practical religion. That is freedom.[স্বর্গগী লৈবাক হায়বদু ঐখোয়গী থনুঙদা লৈবনি। মহাক (ইশ্বর) অদো মফমদুদা লৈ। মহাক্তি থৱায় পুম্বগীসু থৱায়নি। ঐনা Practical religion হায়বদু মসিনি। মসি মপুঙফানা নিংতম্বনি।] ঐখোয় ইশানা ইশাদা হংদুনা য়েংশি মপাম্বোংগী হকচাংবু ঐখোয়না কয়াম্না লুনা খনবা নুংগী ওইবা অত্মবুনা কয়াম্না লূম্না লৌবা। নশামকসে মপান্নাইদ্রবা, হৌবা অমসুং লোইবা নাইদ্রবা পরমাত্মগী শরুকনি–মাগা অমত্তনি, মসি খঙব ঙম্লবরা ? সহর কয়া কয়া শেমগৎলিবা, ৱাংল–ৱাংলবা বিলডিং কয়া কয়া শারীবা, রেল লম্বী শাংল–শাংলবা মতমচঙনা শেমগৎলিবা, হোসপিটাল, য়ুনিবর্সিটি, লাইশঙ মশীং থিঙমদনা লৈরিবা পুম্নমকসে নোংমদি ঙম্না মাঙখিগদৌরিবনি। নখোয়গী ঐখোয়গী আত্মশিংদি লেঙদনা অদুম্মক লৈহৌগনি। পুম্নমক উৎ ওনখ্রবসু মখোয়নি করিশু হোংদনা হান্নগুম লৈখিগনি।

To realise the spirit is practical religion, Everything else is good so far as it leads to this one great idea. That realisation is to be attained by renunciation; by meditation cutting the Knots or the chains that bind us down to matter. [আত্মবু খঙবা হায়বসিনা থবক ওইনা পাংথোকফম থোকপা ধর্মগী চৎনরোলনি। অসিগুম্বা অৱাংবা পম্ভুং অসি য়ৌনবা লমজীং পীরিবা থৌওংপুম্বা অফবা ঙাক্তনি। (অত্মবু) খঙবা হায়বসি থাদোকপা (ত্যাগ), ধ্যান তৌবা হায়রিবশিংসিনা ঐখোয়বু মপানগী পোৎলমশিংদা পুনলিবা কিশী থোক্তুনা অমদি য়োৎহলীং ককতুনা নাম্থোকহনগনি। ]

ভারতকী মুনি ঋষিশিংনা পুথোক্লম্বা ধ্যান তৌবগী থৌওং অমা লৈ। ঐখোয়গী য়াংলেন শরু ময়ায়দা লম্বী অমালৈ মদুবু সুশুম্না কৌই। ধ্যানগী শক্তিনা অশুম অশুম পুক্নিংবু লাকশিল্লবদা ইডা অমসুং পিঙ্গলা কৌবা ইচেল অনীখক মথকলোমদা কাখৎলকই মদুনা সুশুম্নাগী পরীংদা কোকতম্ন। হায়গৎলকই। মসিবু কুণ্ডলিনীগী শক্তি ফুদোরকপা হায়না খঙনৈ মসিদা ধ্যানগা লোয়ননা ব্রহ্মচর্য্য ঙাকপা চঙই। মসি চহি কয়া চঙনা চত্থবনি, মপুঙ হেক ফাবগা ধ্যান তৌরিবা সাধু অদু লাইগা চপ মান্নখ্রগনি। সংসারদা লৈরবসু মুক্তি ফংলগনি।

সংসারসিদা হোংদবা পোৎ অমত্তা লৈতে, শুপ্নগী মপান্নাইদনা পাকচাউখ্রবা অমদি শক্তি লৈখ্রবা পরমাত্মা অমসুং মাগী শরুক ওইরিবা অত্মসি নত্তনা। ধ্যান তৌবা হায়বসিনা অরোনবা ৱাফমসে খঙবা ঙম্নবগী লম্বীনি। অতৈ চৎনবী পুম্বা পাউথোকখ্রবসু করিমত্তা কায়দে, ইন্দ্রিয়গী অপাম্বশিং থাদোক্লগা মওংচুম্না ধ্যান তৌ, অচুম্বদু শোয়দনা উগনি। মমৈথংদা ধ্যানদগী লাকপা শক্তিদুনা মপাম্বোংগী হকচাংগা নুংদা লৈরিবা হকচাংনা তোঙান তোঙান্না উবা ঙম্লক্কনি। তাঙলবা অচুম্বদু খঙলবদা অৱা–অনা, পোকপা শিবা, পেনবা পেন্দবা খেন্নবা অমতসু লৈররোই। (লোইরবা)

# বুদ্ধ অমদি মহাক্কী পাউতাক
## নিরভানাগী ৱাহন্থোক

সলাম ভারত ভুষন

**মখা চথরকপা ...**

নিরভানা হায়বসি করিনো অমদি করম তৌবজাৎনো হায়বগী মতাংদা তাইবং মীনা অনিংবা ফোংদোক্নবদু বুদ্ধনা পুক্নিং থৌগৎলমদে। মাহায়ানা কাংলূপনা বুদ্ধগী পাউতাক অদুদগী পুমহোং হোংদোকপা ৱাহন্থোক অমদা হল্লি। মাহায়ানাগী লীক্লমদা নীরভানা অসি হঞ্জীন–হঞ্জীন থোক্তুনা (পোক্তুনা) লৈবদগী মপুং ফানা মনিং তম্বা ফংদুনা অমুক হন্না থোকপগী (পোকপগী) মহুৎতা বুদ্ধগী হকচাংগী মচং অদুদা অমত্তা ওইনা তিনবা অদুবুনি। ৱাখল্লোন অদু হিন্দুগী বেদান্তাদা য়াউবা থৱাইনা লেংদনা লৈবা মহাক অদুগা মপুং ফাবা নুংঙাইবদা তিনখি হায়বদুগা থোইনা খেন্নদে।

মাহায়ানা হায়বসি করিগী অমদি কমদৌনা বুদ্ধনা থুপখ্রবা মতুং য়াম্না থেংনা চহী চা কয়াগী মতুংদা থোরক্লিবনো হায়বসি খঙবদা অরুবা অমনি। মসিদা ঐখোয়না য়াগদবা অমদি লৈ মদুদি খেন্নবা অমা লাক্লিবসিগী মরম অসি অঙনবা মতমদা বুদ্ধীষ্টশিংনা থৱাই অমদি লাই হায়বসি লৈ নৎত্রগা লৈতে হায়বগী মতাংদা ৱাঙাং অনী লৈরমবদগীনি হায়বসিনি।

মাহায়ানা হায়বসি করী য়ুম্ফমদা থোল্লককখিবনো হায়না য়েংবা মতমদা মতম অদুগী লাইরিক হৈবা, অনৌ অনৌবা ৱাখল্লোন পুথোক্লীংবা মীওই খরগী লন্নাইগী ওইবা ৱাখলদা অনৌবা অমা হৌদোক্লীংবদগী হেক্তা হৌদোক্লমবদি নত্তে। য়ুম্ফম অসিগী ওইবা য়াবা মরম অমদি, মতম অমগী লমবোইবা খরনা পুক্নিং লূপ্না হিরি কোনবা অমদি ৱাখল মখৈ ফংনা খম্বদগী নুংদগী থোল্লককপা লমজিং মঙাল অমগী মখাদা থোনখীবা য়ুম্ফম ওইরমগনি হায়বসিনি।

বুদ্ধীজমগী অশেংবা চৎনা কাংলোনগী মতুংইন্না লৌশিংগী মঙাল ফংলবা বুদ্ধীষ্ট অমা ওইরকপা হায়বসি কয়ারক হন্না পোক্লবা অমদি শীরবা অমদি অফবা থবক কয়া তৌরবা মতুংদনি হায়। অদুবু মাহায়ানাগী মতুংইন্নদগী বুদ্ধগুম্না লৌশিংগী মঙাল ফংনবা ইশা খক্তগী খন্দুনা ইশা খক্তা অরান–খুভম ফংলগা তাইবং মীওইবা পূন্নমক্লা অৱা–অনা অমদি খঙদবা উদবগী কোমদা অসুম তাবগুম লৈহৌবগী ৱাখল খনবা য়াদেয হায়বসিনি। মশাদা য়াওরিবা মীনুংশি হায়বদু চপ চানা ঙাক্তুনা থল্লগা অহিংবশিংগী নুংঙাই য়াইফনবা অমদি মখোয়বু ঙাকপী কনবীনবগীদমক্তা হান্না খল্লগা মশাগী অরান খুভম অদু কোন্না ফংলবসু য়াই হায়না খল্লি।

অসুম্না মাহায়ানা কাংবুনা মশাগী লন্নাইগী ওইবা অরান খুভম তানবদগী তাইবং পুম্বগী অরান খুভম ফংবদা মাই ওনশিল্লি। অরহটকী ফীদম অদুনা বুদ্ধগুম্না লৌশিংগী মঙাল, ফংবদা, অমদি ইশা ইথন্তগী ওইবা কান্নবা ফংনবগী লৌশিং তানশিনবদগী মীয়ামগী ওইনা য়াইফনবগী লৌশিং তানশিনবদা চংশিনবদা চংশিল্লি। লমবোইবা অমনা মশা মথন্তা মঙাল পীজবা মৈরা অমা ওইরগা অতৈনা অমম্বা মরক্তা লৈহনবা তৌরোইদবনি হায়।

অসুম্না বুদ্ধগী পাউতাকপু ইনবা অমনা লৌশিংগী মঙাল ফংবগী থাক য়ৌরবদা তাইবং পুন্নমক্কী অমদি অহিংবা পুন্নমক্কী অৱাবা পুন্নমক অদু মহাক মশাদা চিংশিল্লগা পূগদবনি। মশানা য়ানিংনা অতোপ্পনা ফাউরিবা অৱাবশিং অদু ময়েং তাহন্নবা মশানা অৱাবা লৌনৈ। অতোপ্পগী লৌশিং হেঙ্গৎনহন্নবা মশাদা খুদম ওইনা উক্তুনা পূন্নমক কৎথোকক্কে হায়না লেপচৈ।

মাহায়ানা কাঙলূপ্তা বুদ্ধগুম্বা লৌশিংগী মঙাল ফংলবা বুদ্ধীসাটভা কয়াগী মরমদা ৱারী কয়া লৈ। পাদ্মাপানি হায়নসু খঙনবা অৱালোকিটেশ্বর কৌবা বুদ্ধীসটতা হায়বসি মীনুংশিদা মপান নাইদনা লৈবা অমদি মালেম খুদিংমক্তা লৈরিবা অহিংবা খুদিংমক্তা পকপা উফুল মরিক অমগী অৱাবা ফাওবা শেংদোক্লবা হোৎনবী হায়।

মঞ্জুশ্রি কৌবা অমনা অহিংবশিংদা ৱাখল খন্থবা ঙম্নবগী মচাক পোকহল্লী। মখোয়দা য়াউবা অশোয়বা অমদি ওইদবা হায়বদু মাংহল্লি। মহাক্লা মখোয়দা য়াউবা নুংগী ওইবা মপুং ফাবা ঈহুল হায়বদি কৎথোকপা, অফবা থবক তৌবা, থৌনা লৈবা, হিরি কোনবা অমদি নুং–পান অনীমক্তা উবা ঙম্নচিংবা কয়াবু ময়োল চোংহন্নবা হোৎনবী। হায়রিবশিং অসি বুদ্ধীসাটভা অমা ওইরক্লবগী তাঙাই ফদনা চংবা মচাক অমসুনি।

রাজারাপানি কৌবা বুদ্ধীসাটভা অমনা হিন্দুগী ইন্দ্রগুম্বা মখুত্তা নোংথাং অমা পায়রগা ফত্তবা অমদি লংজবা তৌবা কয়াবু লানথোংনৈ। খীটিভরভ কৌবা বুদ্ধীসাটভা অমনা খ্বাইদগী পীকপা অমদি কুপ্পা পূন্নমক্কী মপু ওইনা মখোয়বু লানবীনবগীদমক্তা অৱাবা কোকহনবা, লংজবশিংবু ওৎপী নৈবীবগী মহুত্তা ঙাকপী শেনবীবা, অফবা মপা অমগুম্না পূন্নমকপু কোনবী। অরোইবদা ৱীসৱাপানি কৌবা বুদ্ধীসাটভা অমা লৈ। মহাক্লা তাইবং অসিদা মাইট্রেয়া বুদ্ধ কৌবা অমা ওইনা পোক্লবা ঙাইদুনা লৈ হায়রি।

**লোয়রবা**

# মালেমগী য়াওলদা মীতৈদা চংজরক্কনি

চীংঙু ফিজম ইবোমচা মঙাঙ

**মখা চথরকপা...**

নত্তনা পূন্নমক অরেম্বদা মাংলগনি। অদুনা লৈবাকসিদা ক্লস–ৱান দগীনা য়ুনিভর্সিটি ফাওবদা তন্নিবশিংনা অর্টিকলগী পেজশিংসি মাংহন্দনা খোমজিন্নবা নৈননবা হোৎনগদবনি। প্রজা ওইনিংবশিংনা লোয়না খংনবা নৈনজগদবনি। ঐনা অর্টিকল অসি খনগৎলবা নুংতিগী পাউ–চে ২–৩ দা ফোংহনগনি মদু মালেমদা খ্বাইদগী অহানবা মরু ওইবা মালেমগী ওইবা অদুনি, খঙজগদবনি। মদু মপান লৈবাকশিংদা শিন থুংনা থাদোক্কনি। চহী কয়াগী ওইনা মালেমগী লোনশিংদা ফোংলগনি। অদুনা প্রজাশিংনা শোয়দনা পাবা ফংজনবা লাইরিক পাবীয়ু সবক্রাইব তৌবীয়ু পৃথিবীদা অহানবা ওইনা খ্বাইদগী অতাংবা মমল লাইদ্রবা তাইবং মপুনা পীবীবা তাইবংপানবু কনবীনবা অমত্তা ঙাইরবা ৱাখল লৌশিং পূন্নমক্কী হিরমদা মীওইবনা চহী ১০০০ অমা চুপ্না চৎন থানদনা নৌনা তাইবংপান লোইশিনলমদাইফাওও চৎনগদবা লম্বীশিংদু লোর্ড যিশু খৃষ্টান, কৃষ্ণ, রাম, ননাক, জেইন, বুদ্ধ, মোহমদ,কী ম পোক সাইয়োন পুম্বনা চীংঙু ওইনা মীতৈদা হল্লকপসিদা, তাইবংপানবু কনবীনবা অহানবা ওইনা লৈবাকসিগী পাউ চেশিংদা ফোংলগা খঙহনবা হোরগনি। জাৎ পূন্নমক্কী ওইনা অদুনা পাউচেশিংগী খুথাংদা ফোংলগদবা কোলমশিংসি লৈবাক প্রজাশিংনা পুন্সিগী ওইনা লৌশিনবীদুনা ইশা ইশাগী লেংদ্রবা লন ওইনা ৱাখল লৌশিংগী পুক্কে ওইনা মাংহনদনা থম্বীনবা খঙহঞ্জরি। লৈবাকসিদা চীংঙু ঐনা লাকপসিনা ঈশ্বরগী মপুগী য়াথং মতুং ইন্না ঐনা মালেমগী ওইবা অরোইবা খ্বাইদগী অচৌবা পূন্নমক্কী সোল্ফ তৌরবা য়াওলদু থুনা হৌরগনি। অদুনা ঐনা ইবা অর্টিকলশিংসিগী ৱাখল লৌশিংসিংদু লোইনা তাইবংপান্দা লৈরিবা মীওইবা জাৎশিংদা খ্বাইদগী তঙাইফদবা তাইবংপান লোইবা ফাওবা চংদবা খংদবা য়াদবনা মদু পুম্বা লোইনা, সেরিজ ওইনা পুন্সিদুনা মাংহন্দনবা চেকশিন্না থম্বা চংঙি। অমদি মদুগী তাইবংপানগী ওইবা লন ওইগদবনি। মীওইবা জাৎশিংগী পুন্সি কলহৌগদৌরিবনি। মীতৈগীনা শেংলবা পুয়া ওইগদবনি। খৃষ্টানশিংগীনা বাইবল গী অরোইবা শরুক ওইগনি, হিন্দুগীনা গীতাগী অরোইবা শরুক ওইগনি। তাইবংপানগী ওইনা অরোইবা ৱান টেষ্টমেন্ট ওইগদবনি। মালেমগী ওইনা মসিগী অর্টিকলসিনা খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্তা য়াওল মায় পাকপা হৌগনি। মসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা পৃথিবীগী মীওই জাৎ পুম্বনা মালেমগী ওইনা অহানবা খ্বাইদগী শেংলবা পাউচেশিং ফোংদোকপা পাউচেশিং মালেমগী খ্বাইদগী তাংলবা লন্নি–থৌৱাইনি লম্বীনি।

**মথং লৈবাকপোকপদা...**